## এডিটোরিয়েল

### সরকারনা য়েংশিন্দবা

*মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং অসি ঙসিসু অমগা অমগা চপ চানা তেংবাংমিন্নবগী ৱাফম অমরোমদা নাথৈরকপগুম তৌরি। অদুবু মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাক্লিবনি হায়রিবা ষ্টেট অসিদা ঙসি ওইরিবা ফিভম অসিদি খ্বাইদগী হেন্না শোকচিল্লবা মওং অমনি। মসি পুম্বা সরকারনা পায়খৎলিবা চাওখৎ–থৌরাংগী থবকশিং অদু য়েংশিন্দবদগী থোকপনি হায়না লৌবা তাবনি। হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক কয়াদসু সরকারনা মীৎয়েং চংদবগী মমি চাওনা তারি। অমরোমদা য়েংলগদি মণিপুরী খুন্নাই অসি চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা হান্না লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চাওখৎ–থৌরাংগা মরী লৈননা পায়খৎকদবা থৌশিলশিং অদু সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা য়াম্না কুপ্পা য়েংশিল্লম্বা তারগদি ঙসিগী ফিভম অসি লাকহন্দবা য়াবনি। ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুটসননা পীবা হকশিংগী মতুং ইন্না তোঙান–তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা খুন্দা–লৈতারিবা মীওইশিংদা অচৌবা ইন্সেন্টিব কয়া অমা পীরি। মদু রেগুরল ওইনা লাকপা এজেন্টশিংদা কান্নবা পীবনি হায়না লৌনবসু য়াওরি। মদু নত্তবদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদদি ৱাকৎ মীফম ফম্বগী থোইদোক্লা কান্ননিংঙাই ওইদ্রি। ইম্ফাল ময়োলগী মনুং তম্না চৎলিবা নেসনেল হায়ৱে ১৭২ অসি মখল মখা কয়াগী এস ও ইঞ্জিনিয়র অমসুং চিফ ইঞ্জিনিয়র য়াওনা শেমগৎকদবনি হায়বা ৱাফম লৈতে। মদুমক ওইদুনসু হৌজিক নোংজুগী চাং হেনগৎলকপা মতম অসিদা আই এফ সি দিগী কন্ট্রোল রুম অমদি হাংফম থোকপনি। মদুসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা রুল অমা শেম্বসু ঙমদ্রি। গভর্নমেন্ট অমসুং আই এল পি এস অনিমক্না য়ান্নবসু পুরকপা ঙমদে অমদি য়াননবা হোৎনবদসু নাকল অনিমক্না মুক্নবা অদুমক লৈরি। অসিগুম্বা ফিভম অমদা লৈরক্লবা ফাওবদা মণিপুর সরকারনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী থৌশিল লৌখৎলক্তুবা অসি খ্বাইদগী লাইবক থিবা অমনি। মরম অদুনা হায়রিবা কেস অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিন হুমজিন্নবগীদমক নুমিৎ ১৫গী মতম পীবিনবা হায়জখিবা লৈরগসু হৌজিকমক্কী ওইনা মমাগা কোন্নদুনা লৈরিবা থা শুদ্রিবা অঙাংশিং ফাওবা কেবিনেট মীফম অমনা হোংদোক হোংজিন য়াবগী অয়াবসু পীরি। ইম্ফাল–টুপুল লম্বী চৎপা য়ারগদি করিগীদমক মণিপুর মীয়ামগী ইহৌদা মখোয়না মতৌ করম্না থেংনখিবগে হায়বসিসু খন্থফম থোকপনি।*

*অদুগুম্বা খলহৌদবা ৱাফমশিংনা মরু ওইরগা হৌজিক ষ্টেট অসিদা মখল অমত্তগী ক্রাইম থেংনবা ঙমদনা লাকখিবনি। সরকারনা মশাগী লৌফম থোকপা দাইত্বশিং অদু পুই হায়না চিংনবা মীওইশিং অদু খনগৎপগী হক লৈগনি। অদুমকপু ওইরিবা মণিপুর সরকারগী মওং অসিনা অচুম্বা ফিভম অমত্তা পুথোরক্কনি হায়বা থাজবা অমত্তা লৈতে। সরকারনা লিশাং শিংনা য়েংশিন্দবদগী থৌদোক ৱাথোক কয়াগী মতমদা সরকারনা চপ চানা থেংনবা ঙমদবনি হায়বসি য়াফম থোকই হায়নসু মীয়ামগী লুচিংবশিং অমদি পোলিটিকেল এনালিষ্টশিংদা ফোংদোক্তুনা লাক্লি। মসিনসু লৈবাক ইরাং নেমথবা য়াবগী মওং লৈতে। অদুনা হৌজিকসু চংশিল্লিবা খোঙজং অসি য়াম্না লেজিটিমেট ওইবা মওংদা চখবা চুমগনি। কান্নদবদা লাউ–খোঙবনদি সরকার অসিদা কায়রকপা য়াবগী মওং অমা লৈরবনি। সরকারসু প্রজাগী ইহুল খংলকপগুম্বনি। চংশিল্লিবা ইহৌ অসি শন্তাইননবা খোঙজং থাংলকপা হৌরকপসি পুন্নমক্কী য়াইফবা ওইরি হায়বা তাই। তৌবতবু শারিঙৈদা য়ৈহৌ হায়বা মৈতে পাউরৌদুনা মাংথংবীরগা খুদিংমক অশোয়বা য়াওদ্রবা বিল ওইনা পুথোরকপদুনি মীয়াম্না ফৌরাংনরিবদি। মসি পুম্বসি সরকার পায়রিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী ওইনা নত্রবসু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা য়াম্না কুপ্পা য়েংশিনফম থোকই। মদু নত্রগদি সরকার অসিনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা থৌদোক অমদি থৌওং কয়া থোক্লক্লবগী মচা ওইরকপসু য়ারি।*

## *এডিটরদা থারকপা চিঠি*

### চীংমৈরোংদা Temporary Market Shed শাদবনা ফৈ

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

করিগীদমক্তা চীংমৈরোংদা মাওদগী লাকপা মনা মশিং য়োনবশিংগীদমক্তা কৈথেল অমা মতম খরদংগী (temporary) ওইনা শাগদৌরিবনো? লম্ফেল সুপর মার্কেটতা চহি ১০দগী হেন্না শিজিন্নদনা লৈরিবা কৈথেলশঙ পুন্না নিপাল (৮) অসি ফিভম য়াম্না ফরি। নোংয়ুরিবা, কায়রিবা লৈমায়, শিরি, লম্বী চংফম খরশিং অমদি সেনিটরিগী অৱাৎপশিং খরা অসি শেমজিল্লবদি য়াম্না ফবা মফম চাবা, পোৎ লৈবা লাকপশিং–পোৎয়োল্লিবশিং অনিমক্না পাম্নবা মফম ওইগনি খল্লি। কৈথেল অসিগী পাম্নবা মফম অমসু ওইগনি। কৈথেল অসিগী মনাক্তা পক্লাগী লম্ফাং চাওনা লৈরিবা অসিসু গাড়ি পার্কিংগীদমক্তা শিজিন্নবদা য়াম্না খুদোংচাগনি।

চীংমৈরোংদা temporary ওইনা শাগনি হায়রিবসি মতম অমদি পৈশা চংগনি, হায়ৱে মনাক্তা ওইবা মরম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লগনি। পৈশা ইচং চংদনা অথুবা মতমদা মাওদগী লাকপা মনা–মশিং য়োনবিশিং কৈথেল মফম পীবিগে হায়বদি লম্ফেল সুপর মার্কেটতা শঙশাং ৮ শিংগী মনুংদা য়েংলগা গভর্নমেন্টনা শিনবিবনা হেন্না ফগনি। মমাংঙৈদা sewerage না মরম ওইদুনা লম্বী ফাওবা ওইরম্বশিং হৌজিক্তি ফরবনিনা মীয়াম্না য়াম্না লায়না লম্ফেল সুপর মার্কেটতা পোৎ লৈবা লাক্লগনি। মসিদা গভর্নমেন্টকী মীৎয়েং চিংশিনজরি।

*অদোমগী*
ডা ঃ টি ঐচ রঞ্জিৎ

# ফৌহাম শাৎহন্দনবা চেকশিন–থৌরাং

**নবকিশ্বর ঙাংবম**

লৌবুক্তা ফৌ পান্বীশিংনা ফৌহাম শাৎলকপদগী কয়াম মাঙহনখ্রবগে হায়বসি লৌমীশিংনা কৈদৌঙৈদসু য়াম্না খন্থরুদে। লৌ য়ৈবা নুমিত্তা চৈয়েফমদা তাহৌরিবা ফৌহাম খরদুগী চাং খত্তুমক চাথোক্তুগী হন্থবগুম লৌদুনা থোইদোক্না নুং ঙাইতবা ফাওনদে। অদুবু ফংলম্বা য়াবা ফৌথোক্তুগী তশেংনা হন্থরিবদি মাঙহৌবগুম খল্লিবা ফৌহামগী চাং অদুখক্তা নত্তে। খুদম ওইনা লৌ শঙম অমা য়ৈবদা ফৌহাম বোড়া অনি লৈহৌরে হাইনা খল্লসি। করিগুম্বা ফৌহামশিং অদুবু মরু চঙহল্লম্লবদি বোড়া কয়াদা চনফম থোকপগে অদুগা অরুম্বনা শরুক কয়া হেনগৎলকপা য়াবগে হায়বসি পানরুদে। মরু চঙবা ফৌশিংনা ফৌহামদগীদি লুম্বা অমসুং চাওবা মরম অনিমক্তা হেল্লি হায়বসি কাওনবগুম তৌই। অদুননি লৌপুনা তশেংনা কয়াম মাঙজবগে হায়বা খল্লুদ্রিবা। মসিনা ফৌহাম শাৎহন্দনবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং শিং মতম চানা লৌখৎকদবদগী কোমথোকহন্নবগী মরমদু ওইহল্লি।

ফৌ পান্বীশিংনা ফৌহাম শাৎলকপগী ওইবা য়াবা মরমদি য়াম্না লৈখ্রে। মমি তমখ্রবা চরোংশিং অদুবু মরু চঙহন্নবা মচিঞ্জাক মরাং কায়না ফংদবদগীসু ওইবা য়াই। মপান শাৎলকপা মতমদা অকনবা নোংনা লৈরিক চামথোকখ্রবসু ফৌ পান্বীশিংনা ফৌহাম শাৎহৌবা য়াই। য়াম্না তোয়না থেংনবা মরম অমদি লায়না তীলনানা মরম ওইদুনা ফৌহাম শাৎহনবা। (ফৌগী ময়োল কংহনবা) অসিনি। ফৌ মরুনা মখোম হাল্লকপা মতমদসু উশিংশা তীলনা মহী চুপথোক্তুনা ফৌগী মরুশিং অদুবু হামচৎহল্লি। উশিংশাগী মমুনা থিনখিবা ফৌগী মরুশিং অদুদা অমুবা দাগফম অমমম লৈহৌই। ফৌ মরুশিংনা মখোম হাল্লকপা মতমদা ফৌ পান্দোং খুদিংগী উশিংশাগী তীল অমা নত্রগা অনিগী চাংদা তোংবা উবিরবদি মদুগীদমক হীদাক কাপথোকপগী তঙাইফদবা মতম ওইরে হায়না খঙবীগনি। ফৌ অদু লোক্কদবা কুইদ্রবা মরমনা সিষ্টেমিক ওইদবা হীদাক ওইনা কাপ্পীবা তাই। নুংথিলগী মতমদা কাপ্পীগদবনি।

নুংয়েং তীল ঃ– ফৌগী চারোংশিংবু পুল্লপ পুল্লপ ফৌহাম শাৎহন্দুনা য়াম্না শাথিবা মাঙহনবা ঙম্বদি নুংয়েং তীল হায়বদি ফৌগী ময়োল চীকথৎপী তীল (ষ্টেম বোরর)নি। হায়রিবা তীল অসি ফৌ পান্বীনা পীক্লিঙৈদগী মপান শাৎলক্লবা মতুং ফাওবা তাই। অদুনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা তীল অসি লৌবুক্তা লৈহন্দনবা হোৎনরকপা তাই। স্কৱার মিটর খুদিংগী নুংয়েং তীলগী মপী অমমমগী চাংদা লৈরে হায়না খল্লবদি নুংয়েং তীলদগী কন্ননবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না খনবীগনি। নুংয়েংগী মচাশিংনা পান্বীগী মনুংদা চঙলগা চীকপা তীল ওইবনা পান্বী অদুবু হু চেলহনবা ঙম্বা সিষ্টেমিক ওইবা হীদাকশিং কাপ্পনা খুদোংচাবা হেল্লি। মসিগীদমক্তা মোনোক্রোটোফোস নত্রগা দাইমেথোএট মিলিলিটর ৫দগী ৮ ফাওবগী চাংনা ঈশিং লিটর ১০ / ১০গী চাংদা য়ানবীরগা কাপ্পা য়াই। ফৌনা তরেংয়োৎ শারকপা মতম ফাওবদা নুংয়েং তীলদগী কন্ননবা চেকশিন থৌরাং শিং লৌখৎকদবনি।

ফৌগী ব্লাষ্ট লায়না ঃ– ব্লাষ্ট হায়বসি মণিপুরদা তাগনবা খ্বাইদগী তমথিবা ফৌগী লায়নাশিংগী মনুংদা অমনি। ফৌগী মনাদগী লায়না অসিগী খুদম ফংবা হৌরকই। ফৌনাগী মথক্তা পাঙন্দেম মওং মানবা কোক্লিং মচুগী দাগফমশিং লৈবা থেংনরক্কনি। দাগফমশিং অদুগী ময়ায়দনা ব্রাউথাংনবা মচুশিং ওইরক্কনি। নুংশিৎনা হুম্বদা নত্রগা নোংগী ঈশিংনা চামথোকপদা দাগফমশিং অদু অতোপ্পা মফমদা শন্দাকখি। মথং মথং শন্দোকখিবনা ফৌ চরোংগা হেক তাইনগদৌরিবা ফৌনা (ফ্লেগ লিফ)দা য়ৌশিল্লকই। ফৌনা অদুগা থেংনবা মতমদা ফৌ চরোংগী মঙক্তা লায়না অসি য়ৌখি। মফম অদু খামদেরকই। ফৌ চরোংবু মরু চঙহন্নবা মচিঞ্জাকশিং মঙকশম অসি লান্দুনা চঙবা ঙমদে। চরোং অদু ফৌহাম ওইরকই অমসুং দাগফম লৈরবা মঙক অদুদা তেকথরকই। অসুম্না ব্লাষ্ট তারবা ফৌগী লৌবুকশিংদা ফৌহাম শাৎহল্লি। ফৌনানা নাইট্রোজেনগী চাং হেন্না ফংদুনা থোৎ–থোৎ লাওরবদি লায়না অসিগী শাথিবা য়াম্না হেল্লি। মরম অদুনা ব্লাষ্ট তাবগী খুদম উরবদি তরেংয়োৎ শারকপা মতমদা য়ুরিয়া হার চাইবীরোইদবনি। ফৌনাগী শরুকশিংগী চাদ ৫ গী চাংদা লায়না অসিনা শোকচিল্লক্লবদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎতবা য়াদ্রবা মতমনি হায়না খনগনি। কাপ্পা য়াবা হীদাক্কী চাংদি ঈশিং লিটর ১০দা কার্বেনদাইজিম গ্রাম ১৫গী চাংদা য়ানবীরগা ফৌনা পুম্বা চোৎনবা নিংথিজনা কাপ্পীগদবনি। ফৌ পান্বীনা নৌরিঙৈদগী হৌনা লায়না অসিদগী কনবীরক্কদবনি। তীল অমসুং লায়নাশিং অসি পুন্না তারবদি মথক্তা পনখ্রিবা হীদাকশিং অসিদি কার্বেনদাইজিমগা য়ানশিন্নবদা অকায়বা লৈতবা হীদাক ঙাক্তনি। ফৌনা মপাল শাৎলবা মতুংদদি হীদাক কাপ্পগী থবক অসি নুংথিলদা ওইনা পাঙথোকপীগদবনি।

# বিজ্ঞানিক ওইনা শিং থাবা

শিং য়েলহৌঙৈদগী য়েঞ্জাং মনম নুংশিনবা অমদি হাউহন্নবগীদমক শীজিন্নে। শিংগী চন্নফম য়াম্মী। মহাও হেনগৎহনবদা নত্তনা হীদাক লাংথক শেন্বদসু শীজিন্নে।

চানবা ঈশিং নুংশিৎ অমদি লৈবাক লৈহাও ঃ



শিং অসি অশাবা মতমদা ফজনা হৌবা ঙম্বা পান্বী মখল অমনি। শিং থাবদা খ্বাইদগী পক্নবা লৈবাকসি ওর্গানিক য়াওবা, লৈঙোইগী শরুক য়াওবা, পায়বদা ফ্রোং ফ্রোং লাওবা, ঈশিং তুংদবা মফমদা পাক্লে। মতম পুন্নমক্তা ঈশিং তুংদবনা তারক্কদবা লায়না মখল কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

খ্বাইদগী মরুওইবদি কৈদৌনুংদা চপ মান্নবা মফমদা চহীগা চহিগা থংননা খক থাদবনা ফৈ। চীংগী লমদা শিং থাবসু ফজনা মায় পাক্না পুথোকপা ঙম্মী। শিংগী মরু তাবগী চাং অসি হাইফেৎ শিনবা লৈবাক লৈহাওদনা চান্নবা হেল্লি।

লমদমসিদা চান্নরবা শিং মখলশিং দিঃ

১। Nadia ঃ মশিং য়াওদবা, পোখোক য়াম্না থোকপা।

২। Bhaainse, Gorubathan ঃ শীক্কিমদগী পুশিল্লকপনি, পোখোক য়াম্না ৱাংই অমসুং অচৌবা শিং মখলনি।

৩। মণিপুর লোকেল টাইপ

৪। Thingpui, Thingaria অমসুং Thinglaidum ঃ হায়রিবা মখলসি মিজোরামদগী পুশিল্লকপনি। হৌজিক হৌজিক চুড়াচান্দপুরগী মফম অয়াম্বদা পাক শন্না থানরিবা মখলনি।

থাবা মতম ঃ


ফাইরেনগী পারপ্পা নোং লাক্লবা মতুংদা মে থা ফাওবদা অদুবু জুনগী চীংগী লমদদি জুলাই থাখায় ফাওবগী মনুংদা থাবসু য়াই।

মরুগী চাং ঃ

পরি অমা থানবা দরকার ওইবা শিং মনাও কিলোগ্রাম ২০০০নি।

থাবগী অপুনবা কাঙলোন ঃ

থাফমসি অহুম্লক নৎত্রগা মরিরক খোইবা দরকার ওই। করিগুম্বা পাক্না থাবগীদমক মিটর ১ পাকপা, সেন্টিমিটর ২৫ ৱাংবা, মিটর ৬–৭ শাংবা, ফেদোমগা ফেদোমগা সেন্টিমিটর ৩০ থাপ্পহনগনি। তৌবদবু ফেদোমগী শাংবদি ফংলিবা লমদুগী মখা পোনগনি। মহৌশানা শিং অসি শিংনাওশিংদগী থানৈ অদুবু শিংগী পোখোক অসি থারিবা শিংনাওশিংগী চাও শাংবা অমসুং ফবগা মরী লৈনৈ। শিংনাও অমগী অশাংবসি সেন্টিমিটর ৩–৪ অমসুং লুম্বগী চাংনা গ্রাম ১৫–২০ ওইগদবনি।




থাবগী মওং

অকুং অরন ঃ

মরেংগা পরেংগা থাপ্পবা সেন্টিমিটর ৩০, পান্বীগা পান্বীগা সেন্টিমিটর ১৫ থমগনি।

হার হাপ্পা ঃ

শিং থাফম খেন্নবগী মতুং ইন্না হার হাপ্পগী চাংসু খেন্নগনি অদুমকপু চাংচত্তা ষষ্ঠী ষনয়ুংগী হার নৎত্রগা Compost গী চাংনা পরিদা টন ২০–২৫ ফাওবা অরোইবা লৌওনগা মাঙওইননা হাপকনি।

হারগী চাংনা পরিদা Urea কিলো ১৬০, SSP কিলো ৩১০ অমসুং পোটাস কিলো ৮০ দরকার ওই।

হার হাপ্পগী মওং ঃ অরোইবা লৌওনদা Urea গী শরুক অনি থোকপগী অমা, অপুনবা শরুক পোটাস কিলো ৮৩ অমসুং SSP কিলো ৩১০ পুন্না তোৎখায়রগা লৈবাক্তা হাপকনি। লেমহৌরিবা Urea তংখায় অদু অমুক্কা শরুক অনি থোক্তোক্লগা থাখ্রবা নুমিৎ ৪৫ অমসুং ৯০ নি শুবা নুমিত্তা লৈবাক খোপচিনবা নুমিত্তা হাপহৌগনি।

ঈশিং চনবা ঃ

শিং ঙল্লিঙৈ মতমদা নোং চুদ্রবদি লৈবাক লৈহাওগী মখলগী মখা পোন্না নুমিৎ ৭ খুদিংগী ঈশিং চনবিগনি অদুগা Oct. - Dec. গী মতমদা নোং চুদ্রবদি ১৫ খুদিংগী ঈশিং চনবিগনি। শিং থাবা মতমদা খ্বাইদগী মরু ওইনা ঈশিং দরকার লৈবা মতম অসি ময়োন চোংবা মতম, মরু তাবা হৌরকপা মতম অমদি মরু চাওখৎলকপা মতমনি। লৈবাক খোপচিনবা খুদিংগী ঈশিং পারপ পীগনি।

নাপীশিং লাকশিনবা ঃ

লৈবাক ঈশিং ইনিল লৈহনবসিনা শিং থাবদা য়াম্না কান্নে। মসিগীদমক্তা তোঙান–তোঙানবা পান্বে শিজিন্নবা য়াই, অদুবু খ্বাইদগী হোঙনা লা য়না ফংবা চরুসু শীজিন্নে। শিং হাইফেৎ উরুম ওইবা মফমদা হেন্না চান্নবা পান্বী ওইবনা শিং পরেং অনিগী মরক্তা চুজাক পরেং অমা থাবনা শিংগী অহেনবা পোখোক্কী চুজাক্কী মথক্তা পোখোকসু লৌবা য়াই। শিং হেক থাখ্রবা মতুং ফজনা মথক্তা কুপকনি, মসিনা ঈনিল মাঙহন্দে, থুনা ময়োন চোংবদা মতেং পাংই।

পামদবা নাপী হৌবদসু চাং হন্থে। নাপী য়াম্না হৌবগী মতুং ইন্না নুমিৎ ৪৫–৬০ কান্নরগা নাপী শেংদোক্কনি। মখোঙ শেংবা মতমদা শিংনাওশিং শোক্তনবা হোৎনগনি, লোয়ননা য়ারিবমখৈ লৈবাক্লা ফজনা খোৎচিনগনি। ঈনিল ফানবা অমসুং নাপী হৌদনবা চাইথোকখ্রবা চরুশিংদু পথরবা মতুংদা লৈবাক্কী লৈহাও হেনগৎহল্লি।

শিং তানবা য়াবা মতম ঃ

শিংসি মপুং ফারবদি মনাসি নাপু মচু চঙলক্কনি। থাখ্রবা মতুং থা ৭–৮ লৈরগা মপুং ফারবা শিং তানগনি। শিংনা নৌরিঙৈ মতমদসু হায়বদি থাখ্রবা মতুং থা ৫ শুবদা, মনম য়াম্না চেন্দ্রিঙৈদা শিং তাল্লগা পান্বী ওইনা য়োল্লগসু চাওনা শেন তানবা য়াই।

*কে ভি সি, থৌবাল।*

# ওক য়োকপগী মরুওইবা নিয়ম

১) ওক মচানা নুমিৎ ৫৬ নি শুবদগী নুমিৎ ৭০নি শুবা ফাওবদা ঃ–

নুমিৎ ৫৬ নিদা মপীদা খাইনগনি। ষ্টার্টর ফীদ নোংমদা ৪ / ৫ রক থোক্না চাবা থকপা ঙম্নিবমখৈ চাহনগনি। মচিঞ্জাক্তা এন্টিবাইওটিক্স, মিনবেল + ভিটামিন, অশংবা অথোৎপা মনা–মশিং হাপকনি। নুমিৎ ৬০নি শুবদা স্কাইন ফিভরগী টিকা থাগনি। অইংবা মতমদা য়ারিমখৈ লুম্না থমগনি। ওক্কোনগী লৈমায় অমসুং ফক্লাং লোয়ননা বাগোশ নোংমদা অনিরক ঈশিং অশেংবনা চামথোক্তুনা লু–নান্না থমগনি।

২) নুমিৎ ৭১ শুবদগী কিলো ৫০ মুক লুম্বা ফাওবদা ঃ–

প্রোৱর ফীদ পীজগনি। নোংমদা ৩ / ৪ রক থোক্না চাবা থকপা য়ারিবমখৈ চাহনগনি, থকহনগনি, মচিঞ্জাক্তা এন্টিবাইওটিক্স, মিনরেল + ভিটামিন, অশংবা শজিক ৱাৎহল্লোইদবনি। নুমিৎ ৯০ নি শুবদা নুমিদাং অমা চরা হেলহল্লগা অয়ুক্তা পাইপজিন, টেট্রামাইসোল নত্রগা মেবেন্দাজোল হাপ্লগা পীজদুনা মবুক মনুংগী তিল লৌথোক্কদবনি। তিল হিদাক অসি নুমিৎ ৩০ নি খুদিংগী থাগনি। তিল হিদাক থাগদবা নুমিৎ হুমনি ৱাৎলিঙৈদগী, থারবা মতুংদা নুমিৎ ১০নি ফাওবা মচিঞ্জাক্তা লিভোলনচিংবা লিভর টোনিক হাপকনি। অমোমশিংনা হীৎ লাকপগী ইরাং উদ্রিঙৈদা থা ৪।৫ শুরকপদা লাবা অমোম খাইদোক্লরগা তোঙান–তোঙানননা য়োক্কনি। অমোমশিংদা লাকপা অহানবা হীৎতা মপাশা থাজিল্লোইদবনি। ওক্কোনগী লৈমায়, ফক্লাং অমসুং ওকশিংনা ফংবা য়াবা জগা খুদিংমক শুধা, সেভলোন, নত্রগা ডিত্তোল হাপ্লবা ঈশিংনা নোংমদা অনিরক চামথোক্তুনা লু–নান্না থমগনি। নুংশা শাবা নুমিৎশিংদা ওক খুদিংমক শুধা, সেভলোন, ডিত্তোল নত্রগা লাইশোল হাপ্লবা ঈশিংনা শেংনা ঈরুজথোক্কনি।

৩) কিলো ৫০ মুক লুম্বদগী চানবা–ওকশাগী ওইনা য়োহ্লোকপা ফাওবদা ঃ–

ফিনিশর ফীদ চাং কক্না, নোংমদা কিলো ২দগী ৩ ফাওবা অনিরক থোক্না পীজগনি। মরক থৎনা শজিক পীজগনি। মিনরেল + ভিটামিন লোয়ননা লিভোল নত্রগা ব্রোটোন মতিক চানা মচিঞ্জাক্তা হাপকনি। অদুবু এন্টিবাইওটিক্স অমসুং তিলগী হিদাকশিংদি য়োহ্লোক্কদবা নুমিৎ ১৫ নি ৱাৎলিঙৈদগী লেপকনি। কিলো ৮০।৯০ লুম্বদা য়োহ্লোকপনা কান্নবা হেল্লি। হান্নদৌনগা লু–নান্না থমগনি।

৪) কিলো ৭০ / ৮০ মুক লুম্বদগী মচা পোকপা ফাওবাঃ–

অমোমশিংদা অনিশুবা নত্রগা অহুমশুবা লাকপা হীৎতা মশাগী অরুম্বনা কিলো ৭০ / ৮০ য়ৌরবদি মপাশা থাজিন্দুনা গর্ভা পুহন্নবা সার্ভিস পীহনগদবনি। মপাশা থাজিনবগী চপ চাবা পুংফম য়েংলগা সার্ভিস অনিরক্তং পুং ৮–১০ কান্নহল্লগা পীহনগনি, অমদি হান্নদৌনা সার্ভিস পীবা লোয়বগা খুদক্তা মপাশা অদু অমোমগী মনাক্তগী লৌথোক্কনি অমসুং তোঙান্না হান্নগী মকোন্দা থমগনি। সার্ভিস পীহনগদবা মপাশা অদু অমোমদুদগী খরা অহল ওইবা অমদি অমোমদুগা মখল মান্নদবা লোয়ননা মমা মপা তিন্নদবা, ঈ য়াম্না লাপ্পবা নত্রগা তিন্নদবা মখল ওইগদবনি।

সার্ভিস পীখিবগা মথংগী নুমিত্তগী অমোমশিংদা গেষ্টেসন ফীদ পীজবা হৌগনি। হান্না কিলো ৩ চারম্বা ওকতুদা কিলো ২ খক্তং পীজগনি। অদুগা অশংবা শজিক্কী চাং হেঙ্গৎনা পীজগনি। মিনরেল + ভিটামিন মতিক চানা হাপকনি। য়ুমলোন্নবদা ওক্কী লায়চৎ, লায়না লাকত্রগদি এন্টিবাওইটিক্স হাপত্রবসু য়াই। তিল হিদাক থাবসু লেপকনি।

ওক অমোমশিংনা নুমিৎ ১১৪ নাও পুই। নাওপুবী ওক খুদিংমক অমমমত ওইনা কা অমমমদা থমগনি। গর্ভা পুরিবা ওক খুদিংমক নোং–চিংগী ফিভম য়েংলগা অহাংবা লম্মাংদা থাদোক্তুনা শাজেল পীবদা হেন্না কান্নবা ফংই। মচা পোক্কদবা নুমিৎ ১০ নি ৱাৎলিঙৈদা অহিং অমা চরা হেলহল্লগা পাইপজিন মচিঞ্জাক্তা হাপ্তুনা ডিৱার্মিং তৌগনি। মথংগী নুমিত্তা শুধা হাপ্লবা ঈশিংনা শেংনা ঈরুজথোক্লগা মচা পোকফম মকোন্দা পুশিনগনি। মচা পোকফম মকোন অদু তোঙান্না লু–নান্না শেমগদবনি। মচাশিংগী লৈফম ব্রুডর থমগনি। মপীনা মচা ননখায়দনবা, ফক্লাংদগী ইঞ্চি ১০ চৎথোক্লগা বার তিংগনি। মচা পোক্লিঙৈ নুমিৎ ১০ নিমুকসিদা ওক অমোম অদু অনৌবা মকোন্দুদা হৈনহনগনি। মচা পোক্কদবা নুমিৎ নিনি ৱাৎলিঙৈদগী পোকপগী নোংমা কোনবা ফাওবদা মচিঞ্জাক্তা ওরিপ্রিম নত্রগা জিনত্রিন মচিঞ্জাক্তা হাপ্তুনা পীজগনি।

মচা পোক্কদবগী স্বর থবেৎ থবেৎ হোল্লকপা অমসুং শংবা হৌরকপদা অমোনবা ফি অমনা খোমজিনগী পরেং অদুদা শাংনা শাংনা হঙ্গৎ হন্দা নানবীগনি। মচা পোকপদা মতম শাংনা চংখিগদৌবা ওইরগদি ওক্সিটোশিন ইঞ্জেক্সন আই য়ু ০.১২৫ মিনিট খুদিংগী মফৈগী শাদোংদা আই য়ু ২৫ ফাওবগী কাপকনি। পোকপদা মতম কুইনা চংলবা, লোয়ননা নাওফমসু মতৎ মতৎ ওইনা ৩ / ৪ থোক্না তারবা অমদি লায়হৌ লাক্কদবগী ইরাং উরবদি ষ্ট্রেপ্তোপেনিশিল্লিন গ্রাম ১ মফৈগী শাদোংদা নুমিৎ ৪নি ফাওবা কাপকদবনি। করিগুম্বা হিদাক কাপ্পদা খুদোং চাদবা লৈরগদি ওরিপ্রিম নত্রগা জিন্ত্রিন পাওদর মচিঞ্জাক্তা হাপ্লগা নুমিৎ ৬ / ৭ নি পীজগনি। মচা পোকপা লোয়রবা মতুং পুং ১ / ২ ফাওবদা নাওফম তাদ্রবদি, য়ুরিআ নত্রগা ওরিপ্রিম ইন্ত্রা য়ুটেরাইন, য়ুটেরস (মচা খাও) মনুংদা চাবোকথোঙদা থিংজিল্লগা হাপকনি।

৫) পোক্লবা মচাশিংদা তৌগদবা সেবা ঃ–

মচাশিংনা পোকপগা অনপ্পা মচুমশিং ফিগং অমনা তৈথোকপীগনি অমসুং খোইরী ককথৎপা লোয়বগা মপীগী খোমজিন মশক তাক্লগা খোম পীথক্লবা হোৎনগনি। মপীগী খোম মবুক থন্না থক্লবা ওক মচা খুদিংমক ব্রুদর মনুংদা মৈশা পীরগা থমগনি। মবুক লামদুনা হেক খোংলকপগা অমুক পুথোক্তুনা খোম পীথক্কনি। নোংমদা ৬ / ৭ লক্কী মথক্তা মপীগী খোম পীথক্কনি। অসুম্না নুমিৎ নিনি হুম্নি শেন্নবীগনি। নুমিৎ হুম্নি মরিনি ব্রুদরগী থোঙ হাংদোক্লগা মচাশিংদু মপীগী মনাক্তা থম্বা হৌগনি।

পোকপদগী নুমিৎ ৩ / ৪ নি শুবদা ওক মচা খুদিংদা ইমফেরোন ইঞ্জেক্সন মিলিলিটর ১ মফৈগী শাদোংদা কাপকনি, লোয়ননা মখাদা (ময়া মনুংদা) ফ্যুরাজোলিডোন নত্রগা টেট্রাশাইক্লিন, ওক মচা খুদিংগী পীগনি।

নুমিৎ ৭নি শুবদগী ওক মচাশিংদা ক্রীপ ফীদ পীজবা তম্বীগনি। মপীনা ফংলোইদবা ব্রুদর মনুংদা বাগোশ মচা অমদা ক্রীপ ফীদ থমদুনা পীজগনি।

মরক অসিদা থিবেৎ ফায়রক্লবদি টেরামাইশিন (ওক্সিটেট্রাশাইক্লিন) ইঞ্জেক্সন নোংমদা মিলিলিটর ১ মফৈগী শাদোংদা কাপ্তুনা নুমিৎ ৩ / ৪ নি চৎথগনি নত্রগা ফ্যুরালোপ, টেট্রোশাইক্লিন, ওরিপ্রিম নত্রগা পিয়ামাইশেটিন পীথক্কনি। য়াম্না চোকথরবা কাংলুপ্তা গ্লুকোজ নত্রগা ইলেক্ট্রোল অমদি এগ্রিলাইট পীথক্কনি।

মথং মথং ....